# দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমিট পনঘল অমসুং ভরিন্দর সিংহ সেমীফাইনেল য়ৌদুনা মেদল শোয়দনা ফংলগনি



দুবাই, মে ২৬ (এজেন্সী):
য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেট্সকী সিতি দুবাইদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন বোক্সিং চেমপিয়নসিপতা মমাঙগী চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী অমিট পনঘল অমসুং ভরিন্দর সিংহ সেমীফাইনেল য়ৌদুনা মেদল অমমম শোয়দুনা ফংলগনি।

অমিট পনঘলনা কিলোগ্রাম ৫২গী কেটগরিদা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর খারখু ইঙ্কমান্দাকপু য়াম্না লম্বা মান্নবা বাউট অদুদা জজ মঙাগী মনুংদা মঙোন্দা জজ ৩না ফেবর তৌখিদুনা স্কোর অদু ৩-২দা মায়াপাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। অমরোমদা নুপাগী কিলোগ্রাম ৬০গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর ভরিন্দর সিংহনা মহাক্কী লম্বা ফিলিপিন্সকী জেরে সাম্যুল দেলাবু য়াম্না হেনবা মওংদা স্কোর ৫-০দা থোইদুনা মহাকসু সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

কুমদা ২০১৯গী এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ফংখিবা মেদল ১৩দগী হেন্দুনা হৌজিক ফাওবদা দুবাইগী চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল ১৪দি শোয়দনা ফংলগনি।

নাকল অমরোমদা চহী ৪ চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল ফংদুনা লাকখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর শিব থাপানা ঙরাং অথেঙবদা নুপাগী কিলোগ্রাম ৬৪গী কেটেগোরিদা মহাক্কী লম্বাবু মায়থীবা পীদুনা সেমী-ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবদগী চহী ৫ থংন-থংননা মেদল ফংবগী লম্বেল লৈখি।

ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট অমা ওইরিবা আসামদগী হৌখিবা বোক্সর শিবা থাপানা ঙরাং অথেঙবদা নুপাগী কিলোগ্রাম ৬৪গী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদুদা ক্বেটকী বোক্সর ওদাবু য়াম্না হেনবা মওংদা রাউন্দ খুদিংমক্তা মাঙজিল থাদুনা বাউট অদুগী লৈখিবা জজ মঙামক্লা শিবা থাপাগী মায়কৈদা পোইন্ট হেন্না পীদুনা স্কোর অদু ৫-০দা মায় পাকপদগী সেমি-ফাইনেল য়ৌখি। নীংশিংবা য়াই মদুদি শিবা থাপানা সেমি ফাইনেলদা মহাক্লা শরুক য়ারিবা নুপাগী কিলোগ্রাম ৬৪গী কেটেগোরি অদুদা নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবা টাজিস্কিস্তানগী বোক্সর বাখোদুর উস্মোনোভকা লম্বা তৌনগদৌরি।

এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা নুপাগী কিলোগ্রাম ৫৬গী বোক্সর মোহম্মদ হুসামুদ্দিন মমাঙগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা উজ বেকিস্তানগী বোক্সর মিরাজিজবেক মিজাহলিলোভকা লম্বা তৌনবদা অকনবা লান্থেং অমা মায়োক্লরগা স্কোর ১-৪দা মায়থীবা নংদুনা মেদল ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু মাঙজখি। নুপীগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী শাক্সিনা কিলোগ্রাম ৫৪গী কাঙলুপ্তা তাজিকিস্তানগী বোক্সর রুহাবজা হকাজোরাভাবু ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবদগী মেদল ফংলগনি। কেজি ৫৭কী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর জস্মিননা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর য়েসুগেনবু ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা মহাকসু সেমি-ফাইনেল য়ৌখি। অমরোমদা ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইখ্রবী সিমরঞ্জিৎ কোরনা উজ বেকিস্তানগী বোক্সর রেখোনা কোদিরোভাবু ৪-১দা মায়থীবা পীরগা মহাকসু সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী সিমরঞ্জিট, সাক্সি, জসমিন অমসুং সঞ্জিট ক্বার্টর ফাইনেল মায়পাক্তুনা সেমী ফাইনেল য়ৌবদগী মেদল অমমম শোয়দুনা ফংলগনি। সাক্সিনা সেমী ফাইনেলদা কজাকষ্টানগী দিনা ঝোলামানগানগা লম্বা তৌনগনি। জসমিনসু সেমী ফাইনেলদা ৱ্লাদিস্লাবা কুখাগা থেংনগদৌরি। লোয়নন সিমরঞ্জিটসু মহাক্কী সেমী ফাইনেলদা কজাকষ্টানগী বোক্সর রিমা ভোলোসেনকোগা ফাইনেল য়ৌনবগীদমক সেমীফাইনেলদা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। হন্দক্কী চেম্পিয়নশিপ অসিনা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা ওইগদৌরি।

# টোকিও ওলিম্পিক্সকী সী ঈ ওনা গেম্স অসি কেন্সেল তৌবগী মতাংদা খন্নখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে




টোকিও, মে ২৬ (এজেন্সী):
মালেমগী শান্নবগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক গেম্সকী কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টোকিও গেম্স কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অমা য়ৈথোরক্লবা মতুং চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌননবা শেম শারিবা অসিদা গেম্স অসিগী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসার ওইরিবা টোসিরো মুতোনা ফোঙদোকখিবদা গেম অসি কেন্সেল তৌবগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা খন্নবা লৈতে হায়খ্রে।

বোর্দকী মীফমদা মেম্বর অমত্তনা ওলিম্পিক গেম্স অসি কেন্সেল তৌবা নৎত্রগা থেঙথবগী ৱাফম অমত্তা খন্নখিদে হায়না ঙসি ফমখিবা মীফম অদুগী ৱারোইশিন ওইনা টোসিরো মুতোনা ফোঙদোকখি।

মরক অসিদা জপানদা ফোঙবা পাউচে অশাহি শিম্বুনগী পব্লিসরগী মায়কৈদগী ঙসি পাউচে অদুগী ইদিটোরিয়লদা ফোঙদোরকখিবদা জপান মীয়ামগী শাফনবা অমদি কোভিদ-১৯ মায়োক্লরিবা লৈবাক অদুগী মেদিকেল সিষ্টেমগী পাঙ্গল কনখৎন্নবগীদমক্তা টোকিও ওলিম্পিক গেম্স অসি কেন্সেল তৌসি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপদি লৈখি।

মরক অসিদা জপানগী রুলিং পার্টিগী ওফিসল কোজো য়ামামোতোনা ফোঙদোরকখিবদা জপানদা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী মরিশুবা ৱেভকী চৈথেং লৈরবসু ভাবোক য়াওদনা ওলিম্পিক গেম্স অসি পাঙথোকপদা মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী ৱাফম থন্লকখি। ৱাফম অসি মালেমগী মমিং লৈরবা পাউচী রোইটরগা ৱারী শান্নবা অমদা মমাঙদা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা সিঞ্জো অবেগা য়াম্না নক্নবা অমা ওইরিবা কোজো য়ামামোতোনা ফোঙদোরকখিবনি।

য়ামামোতোনা মখা তারদুনা টোকিও ওলিম্পিক গেম্স অসি পাঙথোকপনা লৈবাক অদুগী ইকনমিদা অহেনবা খুদোংচাবা পীবা ঙমগনি হায়খি। য়ামামোতো হৌজিক হৌজিক জপানগী লিবরেল দিমোক্রোটিক পার্টিগী ফাইনান্সিয়ল রিসার্চ কম্মিতিগী লুচিংবা ওইরিবনি।

জপানদা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী মরিশুবা ৱেভ অসিগী চৈথেং চাউনা ফংলিবা হেল্থ সিষ্টেমগী মায়কৈদগী টোকিও ওলিম্পিক গেম্স পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা য়ানিংদবা কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মখা তানা জপানগী মেদিকেল ফ্রেটর্নিটিগী মরক্তগী গেম অসি কেন্সেল তৌবনা খ্বাইদগী অফবা ওইগনি হায়বগী ৱাফম থন্লকখি।

জপানগী সেন্ট মারিয়ানা য়ুনিভর্সিটি য়োকোহামা সৈবু হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯গী অনাবশিং লায়েংলিবা দোক্তর হিরোকি সাইতোনা ঙরাং থেংনখিবা থৌদোক অমদা চহী ৭৯ শুরবা অনাবা অমা অয়ুক অঙনবদা মেদিকেল সিষ্টেম অদুনা পীরিবা খুদোংচাবশিং ফংনা ফংনা লৈখিদবনি হায়রি।

মরক অসিদা ওসাকা সিটিদা লৈবা অচৌবা হোস্পিটালশিং অদুসু কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ লাকশিল্লকপা অসিনা লোদ পুবা ঙমদদুনা লায়েংবগী লমদা লৈরিবা দোক্তর, নর্স অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিং পুম্নমক মখোয় মখোয়গী মশাগী ওইবা পাঙ্গল অদু লোইশিল্লকপগী তাঞ্জা অদু য়ৌরকখি। মসিগী মথক্তা অহেনবা অনাবশিং লাকশিল্লক্লবদি মশাগী পাঙ্গলবু শেন্নগদ্রা মীয়াম্বুমতেং পাংগদ্রা হায়বগী মতাংদা অচৌবা ৱাহং অমা লাক্লি। হেল্থ সিষ্টেমগী মায়কৈদগীদি ওলিম্পিক গেম্স পাঙথোকপদা অহেনবা কেস লাকপা য়াই হায়বগী থাজবা লৈবনা গেম্স পাঙথোকপা পামদ্রি।

# ইন্দিয়াগী জেরিমি লালরিননুঙা ৪শুবা পোজিসন তাখিবদগী ওলিম্পিক্স য়াওবা ঙম্লোইদৌরি



টাস্কেন্ত, মে ২৬ (এজেন্সী):
উজবেকিস্তানগী কোনুং টাস্কেন্ততা পাঙথোকপা জুনিয়র ৱর্ল্ড ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটর জেরিমি লালরিননুঙা কিলোগ্রাম ৬৭কী কাঙলুপ্তা মরিশুবা পোজিসন তাহৌবদগী ওলিম্পিক্স য়াওবা ঙম্বগী লম্বেল তেনশিনখ্রে।

মশাগী চহী ১৮দা ঙায়রিবা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেট অমা ওইরিবা মিজোরামদগী হৌখিবা ৱেথলিফটর জেরিমি লালরিননুঙা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নসিপতা মখুউ শোকপদগী মহাক্কী ফিজিকেল ফিটনেস অদু চাদা চাম্না য়ৌবা ঙমখিদবনি।

মহাক্লা তাস্কেন্তকী জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসিপ অদুদা কিলোগ্রাম ৬৭কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারকখিবদা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ১৩৫ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১৬৫ পুন্না কিলোগ্রাম ৩০০ থাঙ্গৎপা ঙমখ্রবসু অহুমশুবা পোজিসনগীদমক্তা মহাক কিলোগ্রাম অমখক শোত্থবদগী মরিশুবা পোজিসন তাখিবনি।

হায়রিবা কেটেগোরি অদুদা টর্কিসকী ৱেথলিফটর মোহম্মদ ফুরকাননা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ১৪১ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১৭৬ পুন্না কিলোগ্রাম ৩১৭ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। অদুগা লৈবাক অদুমক্কী ৱেথলিফটর য়ুসুব ফেমিনা স্নেটচতা কিলোগ্রাম ১৩৩ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কিলোগ্রাম ১৬৮ পুন্না কিলোগ্রাম ৩০১ থাঙ্গৎলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবনি। সিলভর মেদল অদুনা কাজাকষ্টানগী সাইরামকেজনা কিলোগ্রাম ৩০৮ থাঙ্গৎলগা লৌখি।

# ইন্দিয়াগী পিষ্টোল অমসুং রাইফল শুটরশিং ফজবা ঙম্লি

ওসিজেক, মে ২৬ (এজেন্সী):
ক্রোএসিয়াগী সিটি ওসিজেক্টা পাঙথোক্লিবা শুটিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পিষ্টোল অমসুং রাইফলগী শুটরশিংনা মখোয়গী কম্পিটিসন অদুদা ফজবা ঙম্লি।

নেস্নল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈগী ফোঙদোরকপা চেরোল অমনা হায়খিবদা ইন্দিয়াগী রাইফল শুটর ইলাভেনিল ভলারিবান অমসুং দিব্যন্স সিংহনা অহানবা ক্বালিফাইং রাউন্দ অদুদা পুন্না পোইন্ট ৬৩০.৬ কাপ্তুনা মিনিমম ক্বালিফিকেসন স্কোর য়েংনরুবদা অনীশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

ইলাভেনিলনা মহাক্কী অপুনবা রাউন্দ ৩০ কাপ্পদা পোইন্ট ৩১৫.৮ অদুগা দিব্যন্সনা পোইন্ট ৩১৪.৮ কাপ্পা ঙমখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রাইফলগী প্যের অঞ্জুম মোদগিল অমসুং দিপক কুমারনা পুন্না পোইন্ট ৬২২.২ কাপ্তুনা কাংলুপ অদুদা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মানু ভাকর অমসুং সৌরব চৌধরিনা অপুনবা পোইন্ট ৬০০ লৈবগী মনুংদা পোইন্ট ৫৮০ কাপ্তুনা কাঙলুপ অদুদা অতোপ্পা টিমশিংদগী মাঙজিল থাবা ঙমখি। সৌরব চৌধরিনা অপুনবা পোইন্ট ৩০০গী মনুংদা য়াম্না ফজবা মওংদা পোইন্ট ২৯৪ কাপ্পা ঙমখি। অদুগা মহাক্কী টিম মেট নুপী শুটর মনু ভাকরনা অপুনবা পোইন্ট ৩০০গী মনুংদা ২৮৬ কাপ্পা ঙমখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়া পেয়র য়াসাশ্বিনি দেসৱাল অমদি অভিশেখ বর্মনা মিনিট ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্ট অদুদা হৌরকপদা ফজবা খরা ঙমখিবদগী মখোয়না টিমশিংগী মরক্তা অপুনবা পোইন্ট ৬০০কী মনুংদা ৫৭৫ ফংখি। ইন্দিয়াগী অপুনবা শুটর ১৩না ক্রোএসিয়াদা টোকিও ওলিম্পিক গেম্সকী শেম শাবা ওইনা এক্সপোজর কম ট্রেনিং টুর অমা য়ুরোপতা লৈরিবনি। হয়েং মিটর ৫০গী প্রোন ইভেন্ট পাঙথোক্কনি।

# ৱান দে ইন্টর্নেসনলদা ইন্দিয়াগী ভিরাট কোহলি, রোহিত শর্ম্মা অমসুং বুমরা থাক হোংদনা লৈরি



দুবাই, মে ২৬ (এজেন্সী):
ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সী সী)গী মায়কৈদগী ঙসি থোকখিবা ৱান দে ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট মশান্নগী ওইবা মালেমগী শান্নরোয়শিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা হান্না লৈখিবা থাক অদুদগী ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি, ভাইস কেপ্টেন রোহিত শর্ম্মা অমসুং বোল্লর জসপ্রিট বুমরা মখোয়না লৈখিবা থাক অদু হোংদনা লৈরি।

ভিরাট কোহলি মমাঙগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা পোইন্ট ৮৫৭ ফংদুনা বেট্সমেনশিংগী ওইনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অদুগা রোহিত শর্ম্মনা পোইন্ট ৮২৫ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি। কাঙলুপ অসিগী ওইনা পাকিস্থানগী বেট্সমেন বাবর আজমনা পোইন্ট ৮৬৫ ফংদুনা ৱান দে ইন্টর্নেসনল বেট্সমেনশিংগী ওইবা মকোক-মথং তাবগী পরিংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

বোল্লিংগী কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর জসপ্রিট বুমরা পোইন্ট ৬৯০ ফংদুনা মমাঙগী রেঙ্কিংদা লৈখিবা মঙাশুবা পোজিসন অদুদগী লেঙদনা লৈরি। হায়রিবা কাঙলুপ অসিদা ন্যু জিলেন্দগী বোল্লর ট্রেন্ট বোল্টনা পোইন্ট ৭৩৭ ফংদুনা বোল্লরশিংগী ৱান দে ইন্টর্নেসনেল রেঙ্কিংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। মহাক্কী মথংদা বাংলাদেশগী বোল্লর মেহিদি হসননা পোইন্ট ৭২৫ ফংলগা অনীশুবদা, আফগনিষ্টানগী বোল্লর মুজিব উর রহমননা পোইন্ট ৭০৮ ফংলগা অহুমশুবদা অদুগা অতোপ্পা ন্যু জিলেন্দগী বোল্লু মেট হেনরিনা পোইন্ট ৬১৯ ফংলগা মরিশুবদা লৈরি। ওলরাউন্দরগীদা বাংলাদেশকী শকিদ অলহসননা নম্বর ১ পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

# মকোক থোংবা জুদোকাশিংনা সেলেক্সন্দা মীচঙ মীখায় নাই হায়খ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ২৬ (এজেন্সী):
চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী জুদো শান্নরোয় খনবগী মতাংদা জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মীচঙ মীখায় নাইবগী থবক চত্থরে হায়না ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা জুদোকাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙদা জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা টোকিও ওলিম্পিক গেম্সকীদমক্তা শেম শানবা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা জুদোকা ৫ খনখিবনি। মখোয়শিং অদুদি নুপীগীদা মণিপুরদগী সুসিলা অমসুং তুলিকা মন অদুগা নুপাগীদা বিজ য়াদব জস্লিন সিংহ সাইনি অমসুং অবতার সিংহনি। সুসিলানা মহাক্কী কিলোগ্রাম ৪৮গী কাঙলুপ্তা পোইন্ট ৯৮৯ ফংদুনা ইন্দিয়াগী খনগৎখিবা জুদোকাশিং অদুগী মনুংদা খ্বাইদগী পোইন্ট য়াম্না ফংবা ঙম্বা ওইরিবনি।

জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি সী এস রাজননা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড জুদো চেম্পিয়নসিপ অদুদা সুসিলা অমদি নুপাগী জস্লিন সাইনিখক্তমক ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ানবা খল্লকখিবনি। মদুদা সাইনিদগী পোইন্ট হেন্না ফংলিবা জুদোকাশিংনা ফেদরেসন অদুনা সেলেক্সন তৌবগী মতাংদা মীচঙ মীখায় নাইরে হায়বগী ৱাফম থন্লকখিবনি। অদুবু ফেদরেসনগী ওইনদি কম্মিতিগী ৱারেপনি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী সুমিত নাগাল অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে, অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় পুম্নমক মায়থীহৌরে



পেরিস, মে ২৬ (এজেন্সী):
ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট শরুক য়ানবগীদমক ক্বালিফায়িং শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান নুপাগী শিঙ্গল শান্নরোয় সুমিত নাগাল অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুবু ক্বালিফায়িংদা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অহুম্মক লৈহৌরে।

ঙরাং অথেঙবদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা সুমিত নাগালনা মহাক্কী তরেৎশুবা ক্বালিফায়িং স্পোট অদুগীদমক্তা অহানবা রাউন্দদা ইটালিগী শান্নরোয় রোবর্তো মার্কোরাগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদুদগী হৌরগা নাগালনা ফজবা হেনখিবদগী রোবর্তোগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা সেট অমা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা সেট অদুসু চপ মান্নবা স্কোরদা নাগালনা ৬-৩দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

নাগালনা অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথিয়ু এবদেনবু মায়থীবা পীরম্বা চিল্লিগী চান্নরোই আলিজান্দ্রো তাবিলোগা লম্বা তৌনরগনি। করিগুম্বা নাগালনা আলিজান্দ্রো মায়থীবা পীবা ঙম্লবা অমদি অহুমশুবা রাউন্দ অদুসু মায় পাকপা ঙম্লবদি মহাক ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ম্যেন দ্রোগীদমক ক্বালিফাই ওইরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় রামকুমার রামনথন অনীশুবা রাউন্দদা উজবেকিস্তানগী শান্নরোয় দেনিস ইষ্টোমিনগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না শোত্থনা অহানবা সেট অদু ১-৬তা মায়থীখি। মখা তানা লম্বা তৌনখিবা অনীশুবা সেট অদুসু রামকুমার শুপ্পগী গেম অনীখক মায় পাক্লগা ৬-২দা মায়থীবা নংখি। মাঙজৌননা ইন্দিয়াগী গুনেশ্বরন অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরবনি।

নুপীগী ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় অনকিতা রাইনা ঙরাং শান্নখিবা ক্বালিফায়িং অনীশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী শান্নরোয় গ্রিট মিনেগী মখুত্তা মায়থীহৌখি।

# আই ও এনা ভেক্সিন কাপ্পবা এথলিটশিংগী অকুপ্পা মরোল হংলক্লি

ন্যু দেল্লী, মে ২৬ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিয়সন (আই ও এ)গী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী মায়কৈদগী টোকিও ওলিম্পিক গেম্সকীদমক্তা খনগৎলবা এথলিট অমদি ওফিসলশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পবা কাঙবুশিং অদুগী অকুপ্পা ৱারোলশিং পীনবা খঙহল্লক্লি।

আই ও এগী প্রসিদেন্ট নরিন্দর বত্র অমসুং সেক্রেটরি জেনরেল রাজিব মহেতানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ইন্টর্নেসনেল ওলিম্পিক কম্মিতি (আই ও সী)দা শগোলশেন নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা এথলিটশিং অদুগী ভেক্সিন কাপ্পগী অকুপ্পা মরোলশিং অদু থাগৎপগী দেথলাইন ওইবা মরম্না অথুবদা পীরক্লবা খঙহল্লকপনি।

নীংশিংবা য়াবদি চহী অমা য়ৈথোরক্লবা টোকিও ওলিম্পিক গেম্স অসিদা শরুক য়ানবা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা স্পোর্ট দিসিপ্লিনশিংগী মরক্তগী এথলিট অমসুং সপোর্ট ষ্টাফ য়াওনা মীওই ৯০ ক্বালিফাই ওইখ্রবনি। মরক অসিদা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়সননা মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱারোলগী মতুংইন্না ওলিম্পিক্কীদমক খল্লবা এথলিটশিং য়াওনা পুন্না মীওই ১৪৮ কোভিদ-১৯গী অহানবা দোজগী ভেক্সিন কাপখ্রবনি। মদুগী মনুংদা এথলিট ১৭তি দোজ অনীরক ফংবা লোইখ্রে। অদুগা ১৩১না অহানবগী দোজ ফংখ্রবনি হায়রি।

ৱারোলসিগী মতুংইন্না ওফিসল ৮৭তি কোভিদ-১৯গী অহানবা দোজকী ভেক্সিন কাপখ্রে। অতোপ্পা ২৩ অমনা ভেক্সিন অসিগী দোজ অনীরক ফংখ্রে হায়রি। মপান্দা লৈখিবা দোজ ৱাৎলিবা এথলিটশিংসু মফম অদুদা অদুম্মক অনীশুবা দোজ ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈরি।

# কানাদাগী বিয়ানকা এনদ্রিস্কু ফ্রেঞ্চ ওপনগী মাঙওইননা ষ্ট্রাসবোর্গ ওপন মবুক নারকপদগী ৱিদ্রো তৌখ্রে



ষ্ট্রাসবোর্গ, মে ২৫ (এজেন্সী):
কানাদাগী নুপীগী টেন্নিসকী ৱর্ল্ড নম্বর সেভেনদা লৈরিবী বিয়ানকা এনদ্রিস্কু মবুক নারকপদগী ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মাঙওইননা শরুক য়ারকখিবা ষ্ট্রাসবোর্গ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতগী ৱিদ্রো তৌখ্রে।

এনদ্রিস্কুনা ষ্ট্রাবোর্গ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুদা মকোক থোংবা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াদুনা ঙরাং ফাওবা লম্বা তৌনখিবদা অনীশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী এম জানেবসকাবু ৬-১, ৬-৪দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। হায়রিবা মেটচ অদুদা মহাক্কী মবুক্তা অনাবা অমা লাকপদগী মখা তানা শোকচিন্দনবগীদমক মশাগী চহী ২০ শুরবী শান্নরোয় অদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী মখা তানা মেটচশিং অদুদা শরুক য়াররোই হায়দুনা ৱিথদ্রো তৌখিবনি।


নীংশিংবা য়াবদি, চহী অসিগী এপ্রিল ৩দা পাঙথোকখিবা য়ু এস এগী মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিগা শান্নগদবা ফাইনেল মেটস অদুসু মশা শোকপদগী শান্নবা ঙমখিদবনি। মদুদসু নত্তনা মখা তারকপা শান্নদবা মতমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরকপদগী কুইনা প্রেক্টিস তৌদনা লাকখিবনি।

মহাক্লা ৱিথদ্রো তৌখ্রবা ষ্ট্রাসবোর্গ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী অতোপ্পা মেটচশিংদা কজাকষ্টানগী ৱাই পুটিন সেবানা ক্বার্টর ফাইনেলদা পোলেন্দগী শান্নরোয় এম লিনেটকা লম্বা তৌনরগনি।

মরিশুবা সিদেট ওইখিবা পুটিন সেবানা অনীশুবা রাউন্দদা মহাক্কী লম্বা স্বিটজরলেন্দগী টেকমেন রিটায়র তৌবদগী ক্বার্টরফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা পোলেন্দগী লিনেটসু অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রাঞ্চকী এলিস কোর্নেটকা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট মায় পাক্লবা মতুং অনীশুবা সেটতা কোর্নেট রিটায়র তৌখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

রসিয়াগী অহুমশুবা সিদেট শান্নরোয় ঈ আলিজেন্দ্রোভানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রাঞ্চকী সী বুরেলবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 121

**Trauth, Michael (2235) - Vatter, Hans Joachim (2240)**
**Bundesliga 8283 Germany, 1982**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.g3 Bg7 | 4.Bg2 O-O |
| 5.Nc3 d6 | 6.d3 Nc6 | 7.Rb1 a5 | 8.a3 Nh5 |
| 9.e4 f5 | 10.exf5 Bxf5 | 11.Nh4 Bd7 | 12.Bg5 Qc8 |
| 13.O-O Bg4 | 14.Qd2 Qd7 | 15.Nd5 Rf7 | 16.Rbe1 Raf8 |
| 17.Re4 e5 | 18.Nxc7 Bf5 | 19.Nxf5 gxf5 | 20.Rh4 Qxc7 |
| 21.Rxh5 Nd4 | 22.Be3 Re7 | 23.Bxd4 exd4 | 24.Re1 Re5 |
| 25.f4 Re7 | 26.g4 fxg4 | 27.Bd5+Kh8 | 28.Qf2 Be5 |
| 29.Qh4 Rxf4 | 30.Qg5 Rf8 | 31.Re4 Rg7 | 32.Qh4 g3 |
| 33.h3 g2 | 34.Rg4 Bf6.. | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 120 Ans. :**

**27.**Rf1Bxa3+The black bishop deflects White's rook away from protecting the square b6.
**28.**Rxa3Rb6+ **29.**Ka2Qc4+The black queen forks White's king and rook.**30**.Ka1Rxf1+ **30**...Qxf1+
**31.**Bxf1Qxf1+32.Ka2Qb1#
**27**...Bxa3+ **28.**Rxa3Rb6+ **29.**Ka2Qc4+ **30.**Ka1Rxf1+
**31.**Bxf1Qxf1+ **32.**Ka2Qb1#

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com